# দিল্লিদা যমুনা তুরেল খুদোংথীবা থাক্কী মথক্তা চেনবদগী খুদোংথীবা নঙবা য়াবা মফমশিংদগী মী হোন্দোকপগী থবক কনখৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী): দিল্লিদা থাংজ নুমিত্তা যমুনা তুরেলগী ঈচেল দেঞ্জর মার্ক মিটর ২০৫.৩৩ গী মথক্তা চেনবদগী তুরেল অসিগা নক্কবা খুদোংথীবা নঙবা য়াবা মফমশিংদা তারিবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকপগী থবক কনশিল্লে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।



ফ্লদ কন্ট্রোল রুমনা ফোঙদোকপদা ঈশিং ঈমায়গী থাক অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা মিটর ২০৫.৯৯ ওইদুনা অহোঙবা লৈতে। তুরেল অসিগী অপ্পর কেসমেন্ট এরিয়াশিংদা নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা ইরাই নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা তুরেল অসি খুদোংথীবা থাক ওইরিবা মিটর ২০৫.৩৩ হেনখি। মসিনা মরম ওইদুনা ওথোরিটিশিংনা অহেনবা এরিয়াশিংদা লৈরিবা মীওইশিং হোক্তে দাকপগী থবক পায়খৎলকপনি। ফোরকাষ্ট অমগী মতুং ইন্না ঈশিং ঈমায়গী থাক থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং নুংথিল পুং ৬ রোম তাবদা মিটর ২০৬ য়ৌরবা য়াই অমসুং মসিগী ফিভম অসি মখা তানা নুমিদাং পুং ৭ ফাওবা লৈগনি অমসুং মদুগী মতুংদা ঈমায়গী থাক হন্থবা হৌরক্কনি হায়রি।

ইষ্ট দিল্লিগী সব-দিভিজনেল মেজিষ্ট্রেট (এসদিএম) অমোট বাথুৱালনা ফোঙদোরকখিবদা যমুনা তুরেলগা নক্কবা খরা নেম্বা মফমশিংদা লৈরিবা মীওই ১৩,০০০ গী মনুংদগী মীওই লিশিং মঙারোম কম্মন ৱেল্‌থ গেমস ভিলেজ হাথিগাট অমদি লিঙ্ক রোদতা শেমগৎলিবা টেন্টশিংদা হোংজিনখ্রে।

ঈশিং ঈমায়গী থাক হন্থরক্কদবা ওইবনা অতৈ মীওইশিং অদু খুদোংথীবা মায়োক্কনিংঙাই ওইদে। অদুনা মখোয় অতৈ মফমশিংদা হোংদোকপগী মথৌ তাদে হায়নসু মহাক্কা ফোঙদোকখি। কেরৱাল নগরগী এসদিএম সঞ্জয় সন্দিনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী দিষ্ট্রিক্টকী অনেম্বা মফমশিংদা লৈরিবা মীওই ২০০ রোম খরা ৱাংবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে। এনজিওশিংগী মতেংগা লোয়নন মখোয়দা থক্কবা ঈশিং, চিঞ্জাক অমসুং অতৈ তঙাই ফদবা পোৎলমশিং পীরি। হরিয়ানাগী যমুনা নগরদা লৈরিবা হটনিকুন বরাজদগী ঈশিং থাদোকপগী চাং কুসেক লাক্ষ অমগী মার্ক লাল্লবদি দিল্লিদা ফ্লদ এলর্ট লাউথোকই। ফ্লদপ্লেন্সকী মনাক্তা অমদি ঈচাও থোক্লকপা য়াবা অনেম্বা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিং তঙাই ফদনা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহল্লি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

যমুনাগী ফ্লদপ্লেন্স অমদি অনেম্বা মফমশিংদা লৈরিবা মীওই ৩৭,০০০ রোম ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরকপা য়াই হায়না ওথোরিটিশিংনা খন্নে। অনেম্বা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা শেমগৎপা টেন্টকুম্বা টেম্পররি ষ্ট্রকচরশিং অমসুং স্কুলগুম্বা পার্মেনেন্ট বিল্ডিংশিংদা হোংজিল্লি হায়না মহাক্কা ফোঙদোকখি।

থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৬ তাবা মতমদা হটনিকুন বরাসদগী ঈশিং কুসেপ ১৭,০০০ রোম থাদোকখি হায়না দিল্লি ফ্লদ কন্ট্রোল রুমনা রিপোর্ট তৌখি। থাংজ নুমিৎকী নোংঙাল্লমদাই পুং ১ তাবা মতমদা মদু কুসেক লাক্ষ ১.৪৯ ওইখি অমসুং শগোলশেল নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩দনা কুসেক লাক্ষ ২.২১ ওইখি। কুসেক অমা হায়বসি সেকেন্দ অমদা ঈশিং লিটর ২৮.৩২ থাদোকপগা মান্নে। মহৌশানা হটনিকুন বরাজকী ফ্লো রেট অসি কুসেক ৩৫২ নি। তৌইগুম্বসুং কেসমেন্ট এরিয়াশিংদা নোং কন্না চুবদগী ঈশিং থাদোকপগী চাং হেনগৎলকখি।

# লমগী কম্পেন্সেসন নেম্বগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌদুনা লৌমীশিংনা নেসনেল হায়ৱে থিংখ্রে

গুরুগ্রাম, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী): হরিয়ানা গভর্ণমেন্টনা লৌশিনবা লমগী কম্পেন্সেসন হেনগৎনবা তকশিল্লদুনা থাংজ নুমিত্তা কাসন, মোকালৱাস, সেরাৱন্ট অমসুং থংনবা অতৈ ভিলেজশিংগী লৌমী লিশিং কয়ানা গুরুগ্রামগী পাঞ্চগাওন চোক্তা নেসনেল হায়ৱে থিংখ্রে।



দিল্লি-জয়পুর এক্সপ্রেস ৱে পরিংদা মচু অহুমগী ফিৱাল পায়রদুনা লৌমীশিং অমসুং খুঞ্জাশিং য়াওনা প্রোটেষ্টরশিংনা নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবা ফাওবদা পুং ১ হেন্না হায়ৱে ব্লোক তৌখি।

কোর্টনা অথিংবা পীরবসু গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০১১ দগী মখা তানা লম লৌশিল্লি হায়না প্রোটেষ্টরশিংনা গভর্ণমেন্টবু মরাল শীরদুনা ফোঙদোকখি।

সেনিয়র পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি, মদুদি মফম অদুদা লৈরিবা পুলিস ফোর্সশিং অমসুং ট্রাফিক পর্সনেলশিংনা খোইরাং খোইশাওনরবা প্রোটেষ্টরশিংবু থেম্নবা হোৎনখি। অসুম্না প্রোটেষ্টরশিং অদুবু থেম্বদগী হৌজিক্তি এক্সপ্রেস ৱে অদুদা চথোক চৎশিন খরা য়ারক্লে হায়নসু মহাক্কা ফোঙদোকখি।

এক্সপ্রেস ৱে অদুবু থিংজিন্নবগীদমক প্রোটেষ্টরশিংনা হায়ৱে ময়াই চবুক্তা ট্রকশিং, ট্রেক্তরশিং অমসুং গভর্ণমেন্ট বসশিং খামহনখি। প্রোটেষ্টরদা শরুক য়ারিবা লৌমীশিং অমসুং ভিলেজরশিংনা হায়রিবদি গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী ভিলেজশিংদা লৈরিবা মখোয়গী লম একর ১৮১০ শুপ্পগী একরদা লুপা লাক্ষ ৫৫ দগী লাক্ষ ৯০ ফাওবগী চাংদা কম্পেন্সেসন পীরগা লৌশিনখি। মসি হৌজিক লৈরিবা লমগী ভেল্যুগা চাংদম্নবদা য়াম্না নেম্মী।

প্রোটেষ্টরশিং অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মখোয়না গভর্ণমেন্টদা মখোয়গী লম সরেন্দর তৌবা পামদে অমসুং গভর্ণমেন্টনা লৌশিনমখিবা লম অদু হন্দোকহনবা পাম্মী। এক্সপ্রেস ৱে অদুগী চথোক চৎশিনদা অকায়বা পীরিবশিং অদু লৈহন্দনবা হোৎনরদুনা পুলিসনা প্রোটেষ্টরশিং অদুবু হায়ৱেদগী তকথোক্লবা হোৎনখি। পুলিসনা লৌমীশিংগী লুচিংবা গুরুনাম সিংহ চারুনি য়াওনা প্রোটেষ্টর কয়াসু দিটেন তৌখি।

চৈরকসিদা প্রোটেষ্ট অদুনা মরম ওইদুনা এক্সপ্রেস ৱে অদুদা লৈরিবা লম্বী চথোক চৎশিন য়াদবগী ফিভম অদু কিমি কয়া শাংবা উখি।

# ফেক এন্টিক দিল্লরগী মায়োক্তা সিবিআইবু থিজিলহন্নবা তকশিনখ্রে

তিরুবনন্তপুরম, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী): ফেক এন্টিক দিল্লর মোন্সন মবুনকলগা নকশিন্নবনি হায়বা পুলিস ওফিসলশিংনা থিজিল্লিবশিং চিংননিংঙাই লৈতে হায়না কেরলা পুলিসকী ক্রাইম ব্রাঞ্চনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা কেস অদুগী কমপ্লেনেন্টশিংনা থাংজ নুমিত্তা চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি বিজায়নদা ৱাকৎতুনা সিবিআইবু থিজিলহন্নবা তকশিনখ্রে।

হৌজিক চথুরিবা প্রোব অদুগী রিপোর্ট চিংননিংঙাই ওই হায়রদুনা মখোয়না ফেক এন্টিক দিল্লর অদুগী মায়োক্তা সিবিআইবু থিজিলহন্নবা তকশিনখিবনি। ফেক এন্টিক দিল্লর মবনকলনা নমথাক তৌদুনা মখোয়দগী লুপা ক্রোর ১০ লৌথোকখ্রবা মতুংদতা মীওইশিং অসিনা বিজায়নদা ৱাকৎখিবনি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা কেস অসি ইহান হানবা ওইনা মথি ফোঙলকখিবা মতুংদা হৌজিক্তি থবক্তগী পোথাখ্রবা ষ্টেট পুলিস চীফ লোকনাথ বেরা অমসুং হৌজিক হৌজিক ওফিস পায়রিবা এদিস্নেল দিরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস মনোজ অব্রাহম্না কোচিদা লৈবা মবুনকলগী ম্যুজিয়মদা চৎপগী পিকচরশিং ভাইরেল ওইখি। মেটর অসি কোর্ট য়ৌখিবগা লোয়ননা কোর্টনা টোপ পুলিস ওফিসলশিং অসিগুম্বা ম্যুজিয়ম অমা করম্না ফঙ্কসন তৌগদগে হায়বসি করিমত্তা খনখিদ্রিবনো হায়নসু হংখি।

# পর্থ চেত্তর্জি জেলদা লায়েংবা য়ারোই: এসএসকেএম

কোলকত্তা, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী লুপা ক্রোর কয়াগী ওইবা ওজা রিক্রুটমেন্ট স্কামদা মরু ওইবা এক্যুজ ওইরিবা পর্থ চেত্তজিগী কুম পুরবা লায়না খরা লায়েংবদা হোস্পিটলাইজেসন মথৌ তারোই হায়বা এইমস ভুবনেশ্বরগী রিপোর্ট থাংজ নুমিত্তা ষ্টেটনা চল্লাইবা এসএসকেএম মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিটালগী ডাক্তর টিম অমনা য়াখিদ্রে।



এসএসকেএমগী মেম্বর তরেৎকী টিম অমা থাংজ নুমিত্তা কোলকত্তাদা লৈবা প্রসিদেন্সি সেন্ট্রেল করেকস্নেল হোমদা চৎখি অমসুং মখোয়না চেত্তর্জিগী মপুং ফারবা মেদিকেল চেক-অপ অমা পাঙথোকখি অমসুং চেত্তর্জিগী লায়নাশিং অদু জেলদা লৈরগা লায়েংবা য়ারোই হায়না মখোয়গী ৱারোইশিন পীখি। মেদিকেল টিম অদুনা হিরম অসিগা মরী লৈননা জেল সুপরিন্টেন্দেন্টদা রিপোর্ট অমা সবমিট তৌদুনা চেত্তজিবু তত্তনা মোনিটর তৌবা মথৌ তাই হায়না প্রিজন ওথোরিটিশিংদা পাউতাক পীখি। লোয়ননা মখোয়না হিরম অসিগা মরী লৈননা গাইদ লাইন খরসু ইস্যু তৌখি।

মেদিকেল টিম অসিনা মরু ওইনা চেত্তর্জিগী খোঙ খুৎ তোইনা পোমখৎপগী প্রোব্লেমগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি। হৌখিবা থাদা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তরেট (ইদি) না ফারবা মতুং কোলকত্তা হায় কোর্টনা থুনা দিরেক্তিব অমা ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা চেত্তর্জিবু মেদিকেল চেক-অপকীদমক এইমস ভুবনেশ্বরদা প্লেনদা পুখি।

মফম অদুগী ডাক্তরশিংনা চেত্তর্জিগী লায়নাশিং অদু অরুবা ওইদবনা মহাক হোস্পিটলাইজ তৌদ্রবসু য়াগনি হায়খি। অদুম ওইনমক হিরম অসিগী মতাংদা এসএসকেএমগী মেদিকেল টিম্না মপুং ফানা তাইওন্নরবা রিপোর্ট অমা পীরিবা অসিনা হিরম অসিগা মরী লৈননা মখা তানা ৱাথোক লাকপা য়াই হায়রি।

# দিল্লিগী পুলিস পর্সনেল তরুক হোম মিনিষ্ট্রিগী মেদল পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী): মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা ২০২২ চহীগী ওইনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী মেদল ফোর এক্সিলেন্স ইন ইনভেষ্টিগেসন দিল্লি পুলিসকী পর্সনেল তরুক্তা পীরে হায়না থাংজ নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

এৱার্দ ফঙলবশিং অদুদি দিপ্যুটি কম্মিস্নার ওফ পুলিস দিপক যাদব, দিসিপি আরটি মেনা, এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নার ওফ পুলিস (এসিপি) সঞ্জয় দট, ইন্সপেক্তর সঞ্জয় কুমার গুপ্ত, ইন্সপেক্তর অনুস কুমার তিয়াগি অমসুং সব ইন্সপেক্তর মুনিস কুমারনি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী মেদল ফোর এক্সিলেন্স ইন ইনভেষ্টিগেসন অসি ক্রাইম ইনভেষ্টিগেসনদা প্রোফেস্নেল ষ্টেন্দর্দ ৱাংখৎহন্নবা অমদি ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসারশিংনা চথুরিবা ইনভেষ্টিগেসনদা উরিবা পুক্নিং থৌগৎপা য়াবা থৌওংশিং অদুবু শকখঙনবগীদমক্তা কুমজা ২০১৮ দা শেমখিবনি।

***ADMISSIONS OPEN***
FOR THE ACADEMIC YEAR 2022-23
HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !
STUDY IN ONE OF THE BEST DENTAL, ENGINEERING, NURSING AND PHARMACY COLLEGES OF BANGALORE
*** COURSES OFFERED: ***
(1). BDS Fees Structure : 16 Lakhs Package.
(2). B. E (Computer Science / Artificial Intelligence and Machine Learning) Fees Structure :
1st Year Rs: 1.35 lakh, 2nd Year to 4th year Rs: 90K per Year.
(3). B. E (Civil / Electronics and Communication / Mechanical) Fees Structure :
1st Year Rs: 1.15 lakh, 2nd Year to 4th Year Rs: 75K per Year.
(4). B. Pharmacy Fees Structure : 1st Sem Rs: 1.25 lakh, 2nd Sem to 8th Sem Rs: 50K per Semester.
(5). MSc Nursing Fees Structure : 1st Year Rs: 1 lakh, 2nd Year Rs: 1 lakh.
(6) GNM Fees Structure : 1st Year Rs: 1.9L ,2nd year Rs : 1.1L, 3rd year Rs: 90k(including hostel).
CONTACT US: 8310788408, 9362331862.
REGIONAL ADMISSION OFFICE at Sagolband Moirang Leirak, Imphal.
HL-P/3364/4,6,8,10,12,14,17,19,21,23,25,27,29,31, Sept

ESCENT INSTITUTE
of Paramedical Sciences & Skill Development
ADMISSION OPEN FOR PARAMEDICAL COURSES
AVAILABLE COURSES
MEDICAL LABORATORY TECHNOLOGY (B.Sc. MLT / DMLT)
RADIO IMAGING TECHNOLOGY (B.Sc. RIT / DRIT)
OPHTHALMIC TECHNOLOGY (DOpT)
PHYSIOTHERAPY (DPT)
AFFILIATED WITH Manipur University & Paramedical Council of India
Ample JOB OPPORTUNITIES in reputed hospitals and laboratories for a SUCCESSFUL CAREER.
Career ready courses with hands-on experience in an NABL accredited laboratory with the latest facilities.
All courses include IN-HOUSE INTERNSHIP PROGRAM and IN-HOUSE PRACTICALS FACILITIES.
HEAD OFFICE Nongmeibung Purana Rajbari, Imphal East, Manipur 795005
INSTITUTE Sangaiprou, Airport Road, Imphal West, Manipur 795001
+91 8770 412 916 +91 9774 677 371
+91 9862 619 063 +91 9678 775 752
www.escentinstitute.com
HL-P/3658/12/8-12/9

AFFILIATED TO COUNCIL OF HIGHER SECONDARY SCHOOL, MANIPUR
ACI SCHOOL
A Co-educational Higher Secondary School
Kwakeithel Akham Leikai, Imphal
A school of Advanced Coaching Institute & Under the guidance of Human Resource Centre & Research Institute
ADMISSION OPEN FOR XI SCIENCE & XI ARTS
SPECIAL FACULTY MEMBERS
1. Physics – Dr. Devadattamani / Dr. Joyshankar/ Dr. Bidyakanta (IIT)
2. Chemistry - R.K. Bahadur / Manglembi NET (PhD)
3. Maths – Dr. Sanjit / Kiranmala (Gold medalist)
4. Zoology – Dr. Ranjita/ Kh. Seityabati
5. Botany – Dr. Bijen / Dr. Thajamanbi
Supported by special faculty members of ACI
FEATURES
1. For Position holders in the HSLC exam Free ship + Book Grant + Scholarship
2. Students who scores 85% & above Admission free + Half tuition free + scholarship
3. Students scores 80% and below 85% Admission free+Scholarship+Book Grant
4. Students scores 75% and below 80% Half Admission free + Book Grant
5. Students score 70% and below 75% Half Admission
6. Students score 60% and below 70% Direct Admission
World class standard classroom with Smart Class
Contact : 9862992105
www.advancecoachinginstitute.com
Direct admission - 45% and above under conditions
For few seats available
Form available: Office of Advanced Coaching Institute (offline)
HL-B/7788 (8/8 to 18/8)

ADVANCED COACHING INSTITUTE (HURRY! LIMITED SEAT)
THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN IMPHAL, MANIPUR
FOUNDATION COURSE FOR NEET /JEE
2YEARS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XI APPEARING STUDENTS
(SURE TARGET TO FIRST ATTEMPT) FREESHIP FOR POSITION HOLDERS IN HSLC
1YEAR FOUNDATION COURSE FOR XII APPEARING STUDENTS
ONCE U ARE ADMITTED WITH DETERMINATION WE WILL SUPPORT U UNTIL SELLECTION WITHOUT ANY FEE
SPECIAL CONCESSION FOR THOSE STUDENTS WHO R FINALCIAL POOR AND MERITORIOUS
7 MONTHS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XII PASSED STUDENTS
WORLD CLASS (A.C. ROOM) SMART CLASS WI. FI CAMPUS
1. SPECIAL SUNDAY TEST SERIES & MONTHLY MOCK TEST
2. STUDY MATERIALS BASED ON NCERT & PREVIOUS YEAR QUESTION AND ANSWER
3. Well Experienced faculties
4. separate boys & girls hostel
MEDICAL AND ENGINEERING CLASS WILL BE STARTED FROM 4th and 18TH August
For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website to www.advanceecoachinginstitute
LIMITED SEAT VAN SERVICE
BATCHES : 5 -9AM 6--9AM 12—3PM 4.30- 7.50pm
For Query : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH
HL-B/7788 (8/8 to 18/8)

FREE COACHING FOR CLASS X COMPARTMENTAL
Orgd. By
Human Resource Centre & Research Institute
SURE STEP TO MAKE SUCCESS
BATCH
ENGLISH : 4.30 TO 5.30 A.M.
MATHS : 5.30 TO 7.00 A.M
SCIENCE : 7.00 TO 8.30 A.M.
SOCIAL SC. : 8.30 TO 10 A.M
MIL :10 TO 11.30 A.M
FREE FOODING AND LODGING FOR S.T /S.C & OBC STUDENTS UNDER CERTAIN CONDITIONS
FIRST COME FIRST SERVE
LIMITED SEATS
FEW SEATS REMAINING
HEAD OFFICE : NAGAMAPAL BRANCH & KWAKEITHEL BRANCH
CONTACT FOR DETAIL : 8787586090
HL-B/7788 (8/8 to 18/8)